# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৩২

**ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম**

*ইন্দিয়ানা* নীংখা তম্বা চহী কয়াগী মমাঙদগী লাম্হৎনরকপগী তোঙান তোঙানবা ফজ-ফজবা ৱারী কয়া লৈখ্রে। মসিগী মথক্তা মণিপুরবু লোইলম শন্দোকপা বৃটিশকী মখূৎতগী করি করম্বা ঈহৌ-ঈরাং থোরকখিবগে হায়বগী মরীক চূম্বা পুৱারী লেংদনা লৈরি। মসিগী মথক্তা চহী খুদিংগী ষ্টেট লৈঙাক্না মপূং ফানা থম্মোয় শেংনা পালন তৌরি। মতম মতমগী লৈঙাক পুবিরিবশিংনা মীয়াম তিনবা মফমদা ফজ-ফজরবা, নুংঙাইবা ৱারী কয়া লেপ্তুনা শাংলবা চহী কয়া ঙাঙদুনা লাক্লি। মতম মতমগী লৈঙাক্না মচিন্দদি খোইহিমুক থুম্বা ৱাফম কয়া ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লরি। ঙসি ফাওবা শাংলবা চহী কয়াসি করম্বা লুচিংবনা করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা থম্মোয় শেংনা কথোকপা য়াওনখ্রবগে। মণিপুরদা চীফ মিনিষ্টর কয়া চৎখ্রে। চীংমী-তম্মী ফুরুপ কয়াগী লুচিং মখাদা লৈঙাকখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা ইরমদম মণিপুরগীদমক থম্মোয় শেংনা লৌথুপ-লৌকোয় য়াওদবা লুচিংবা কনাসু চোঙথোরক্তে। মসিগী মথক্তা পার্টি অমখক্তনা লৈঙাকপগী মতমসু কয়া লৈখ্রে। মমাঙথক্কী পোলিটিক্সকী পুৱারী নীংশিংদবা খক য়াররোই। মসিগী মখা চথরকপদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা পূনশিন্দুনা শেম্বা লৈঙাক কয়াসু হৌখ্রে।

ঙসিদি লুরবা ইস্যু কয়ানা মীয়ামগী মাংদা হিমালয় চীংজাওগুম লেপ্লরে। মমাঙথক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অমদসু জুন ১৮গী থৌদোক মণিপুর মীয়াম্না ফজনা মায়োক্নখ্রে। মমাঙদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা ও ইবোবীগী লৈঙাক চহী ১৫ মপূং ফানা লৈখ্রে। অদুগুম্বা মতমদুদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা করি করি লৈবাক মীয়ামগী করম্বা আইন শেম্লকখিবগে হায়বসি ঙসিদি হেন্না কূপ্পা নৈননীংঙাইনি। মণিপুরগী মীয়াম্বু কদাই ফাওবা লাক্নরিবগে, লাক্নখিবগে হায়বসি পুৱারীনা খুদম চাংদমনি। মতম মতমদুগী চুংশিন্নবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা চুংশিন্নদুনা মীয়ামগী মরল মথুম ফংজহৌবা মন্ত্রি, এম এল এ কয়া লৈখ্রে। মতমদুদা এম এল এ, মন্ত্রি ওইহৌবশিংদি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম নুংঙাইহৌই। মীচম মীয়াম্না নোরোক্কী কোমদা লংথবীরম্মী। চুংশিন্নবা লৈঙাক মতমদা লৈঙাক পুনশিন্নবদগী মন্ত্রি সেয়র তৌমিন্নবদগী মন্ত্রি ফম কোন্দুনা মশা মশাগী পার্টিগী চৎন-কাঙলোন কয়াবু থবক ওইনা ওন্থোক্তবদগী নুংশা মঙালদা লেন তুম্বগুম তুম্বা পোলিটিকেল পার্টি কয়া লৈতবা নত্তে। মতমদুগী পোলিটিকেল পার্টিশিং ঙসিদি মাঙখ্রে হায়বা ফাওবা য়ারে। লৈরি, লৈতবদি নতে। হিংলি শিবদি শিদ্রি। অদুবু তাংজ লীলনা মখুল চঙলমদাইদা চুম্মী হায়বদু ঙসিদি থম্মোয় শেংনা মানা মানা পামজবা পোলিটিকেল পার্টি অদুগীদমক কথোক্লুবা মীওই খরদি লৈতবা নত্তে। অদুবু তাংজ লীলনা মখ্বাং তেক্লবা মতমদা করিসু তৌবা ঙমদবগুম চাক্লা খাঙজবা নত্তনা করিসু পাম্বে লৈরোই। মসিগী মখা তারকপদা ইলেক্সন ময়াদা মশা মশাগী ওইজনাম তানবা শেঞ্জাও পায়বা মণিপুরবু য়োন্থোকপা ঙমগনি খঞ্জবা পোলিটিকেল পার্টি খরসু লৈতবদি নত্তে। মদুনা ইলেক্সনগী মতমদা শেঞ্জাও পায়বা খরগী মরুমদা ভোট চিংথোক্লুবা পার্টি মচা মচা খরসু শোরেল চৈ য়ুংবগুম চোঙথোরক্কনি। মসিদি মহৌশানি।

মতাংসিদা হেন্না পঞ্জনীংলিবদি মণিপুরবু কনসি হায়রবদি খরদং চনিং তানা খন্থবা মতম ওইরে। পোলিটিক্সকী লাল্লোং খঙবীরবা মতম খরদং ওইরবসু পোলিটিক্স তৌবিরিবা পূম্নমক্না খন্থমিন্নবা মতম ওইরে। ভোট মায় পাক্লরোই খঙনা খঙনা মী চিংথোক্লুবা ভোট ললোনবগী থবক অসি ২১শুবা চহী চা অসিদা হেন্না লুম্না চনীং তানা খন্থমিন্নরসি।

ঙসিগী ওইরক্লিবা মণিপুরগী শক্তম তরাইবা নত্তে। ঙসিমক হৌরক্লিবা মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাওনরক্লিবশিং চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়াবা মতাং নত্তে। মসিগী মথক্তা পিকখ্রবা মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা লালহৌ লূপ কয়াসু লৈরি। মণিপুরবু কনমিন্নসি হায়রবদি পোলিটিকেল পার্টি মচেৎ মচেৎনা মণিপুর কনবা খক ঙম্লোই। লালহৌ লূপশিং পূনশিল্লসি, পোলিটিকেল পার্টি পূনশিল্লসি, লুচিংবা শান্নরগুমসি। অহানবদা মীয়ামগী মমাঙদা হৌরক্লিবা, মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থেংনরিবসি কনমিন্নরসি। মণিপুরদা মীতোপ মীয়ানচাগী লাংদগী কনমিন্নবনা মরুনি। মতমসিগী তুংগী মীরোলগীদমক্তা অশানবা মীৎয়েং অমগী মখাদা হৌরক্লিবা মহৈরোয় খুন্নাইগী অচুম্বা লম্বীদা ঐখোয় পূল্লসি, অপূনবগী পাঙ্গলবু কনানসু য়েথৎপা খক ঙম্লোই হায়বসি মমাঙগী জুন ১৮না লেঙদ্রবা খুদম চাংদমনি। জুন ১৮গী থৌদোক্না বি জে পিবু মায়থীবা পীবগুম হন্দক্কী সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬না মণিপুর মাঙহন্নবা শিল্লকপা বিল অসি চপ চানা থেংনদুনা কাঙলূপ-ফুরুপ খায়বা, অচান-মীরাই নাইবা পূম্নমক মরূ ফংনা ফুকতোক্তুনা মাঙহনখ্রসি।

মপূং ওইনা মণিপুরগী সী এমনা মমাঙথক্তা ঙাঙথোকখিবা- মণিপুরগীদমক থম্মোয় শেংনা কৎথোকচগনি, ফমগীদমক খন্দে, মণিপুর মীয়ামগীদমক কথোক্কনি হায়খিবদু নীংশিংমীন্নরগা মণিপুরী অমা ওইনা মতাং চানা থবক থৌরম পাঙথোক্লসি। মসিগী মখা তারকপদা অসামগী মন্ত্রিনা মরমদমগীদমক ফম থাদোকপদি ঙম্লগা মণিপুরগী মন্ত্রি মন্দলনা অসুক লুরবা তানফম অসি য়ৌরবা ফাওবদা তুমিন-তুমিন লৈবদি লৈহন্নীংদে।

সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মতাংদা ঙসি অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা ঙাঙনরক্লিবসি তরাই তরাই খন্দোকপা হায়বসি পূম্নমক্কী অফবা খোঙথাং ওইরক্কনি নীংদে। ঐখোয়গী য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিংগী সী এমনা মখৌ পোংনা লাউবা ঙম্লগা করিগীদমক অতৈশিংনা তুমিন লৈশিল্লিবনো? বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা এন পি পি, এন পি এফনা করি রোল লৌরক্কদৌরিবা? হেন্না কূপ্পা নৈনবগী মথৌ তাদবা নত্তে। মতাং খরদা লৈঙাক পুমিন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টিগী মনুংদা কদাই ফাওবা মশা মশাগী ফিরেপ লৈবগে হায়বা ৱাহং কয়া চোঙথোক্লরক্কনি। মতম খরগী মন্ত্রি ওইবগী নুংঙাইবনা মীয়ামগী ঈহুল খঙদ্রবদি অৱাবসি মীয়ামদসু তাগনি, মন্ত্রি-মন্দলসু অৱাবদগী নান্থোকপা তরাইবা ওইরোই। সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মতাংদা অসামদা থৌনা ফনা মন্ত্রি ফমদগী থাদোকপা ঙম্লগা ঐখোয়গী ঈরাংনা থল্লবা লমদমসিগী মণিপুরী মচাশিংনা ইচং থৌনা পাঙ্গল থোক্লা মীয়ামগী অপাম্বগী ইহুল য়াওদনা মন্ত্রি ফম কোন্দুনা লৈবনদি পোলিটিক্সকী অশেংবা লৈবাক নীংবা মীশক ওইবা খক য়ারোই। মন্ত্রি ফমসি ওমরসু নত্তে। হন্দক মন্ত্রি ওইরিবসি নত্তনা মতুংদা অমুক হন্না মন্ত্রিদি লায়রদনা ভোট ফাওবা কারক্তবা য়াই। মীবু মী ওইনা খন্দবা হায়বসিসু অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। মীতৈ খুন্নাই মাঙখিবদা ঐ ইশাসু য়াওরিবনি। ঐ ইশা নুংঙাইনবা হোৎনবদা মীয়ামগী ৱাখল খন্থবীদ্রবদি অৱাবা তারকপদা চেন্দুনা হিংবা খক য়ারক্লোই। মীতৈ হায়বা ফুরুপসি মতম শাংনা হিংমিন্নসি হায়রবদি থম্মোয় খরদি চাউথোকপা মতম ওইরে। মসিগী মখা শমথরকপদা এন এস সী এনগী অরোনবা লাংলৌ লৈতবা নত্তে।

মপূং ওইনা ঐখোয়গী মণিপুরদা ঙসি ফাওবা বি জে পিগী নুংগী ওইবা ৱাফম খঙনরিবনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ইশা ইশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা তুংগী মীরোলগী খনবিদ্রবদি পূম্নমক্কী মাঙমিন্নগনি। মীতৈ লৈবাক্কী পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক ঐগী পার্টি, মাগী পার্টি হায়বা থম্নদনা ঐখোয় পূন্না থৱায় থাবা পাম্মুদনা হোৎনমিন্নবা মতম ওইরে। ঙসি, হয়েং মাগী-ঐগী পোলিটিকেল পার্টি হায়বা থিনদনা থম্মোয় শেংনা ঐখোয় পূম্নমক্কী মাংদা লৈরিবা বিল অসি মাঙহল্লগা অনৌবা মণিপুর অমগী মঙ মঙমিন্নরসি। মপূংদা ঐখোয় সী এমনা মমাঙথক্তা ঙাঙথোকখিবা ফজরবা ৱাফম ঙসিদি নুপা থোক্লা, ইচং থৌনা মণিপুর মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক পায়খৎপীরক্কনি হায়বা থাজবা থম্নরি। হন্দক্কী শ্রী বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাকসিদা য়াওরিবা মন্ত্রি, এম এল এ পূম্নমক মপূংদা অনৌবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক অমনি। অনৌবা মন্ত্রি, অনৌবা এম এল এশিংনা মমাঙথক্কী পোলিটিকেল পার্টিগুম্না মন্ত্রি ফম কোনবগী মহুত্তা ইরমদম মণিপুরগীদমক অনৌবা পুৱারী অমা তরু-তরুনা শেম্লম্লসি। শ্রী মোদিজিগী লৈঙাক অসিদগী তোপ তোপ্পা অওনবা অনৌবা, অহোংবা লৈঙাক অমগী শক্তম লৌদুনা মণিপুরগী অনৌবা পুৱারী অমা শেম্লসি। মপূংদা মীংচৎ পাম্বরা, ঈজৎ পাম্বরা, শেল পাম্বরা হায়বা ৱাহং অমা পূম্নমক্কী মাঙদা লৈরে। মসিসু অনৌবা চাংয়েং অমনি। মতমসি শেলগী চকনি হায়বসি মীচম মীয়ামসু খঙই। অচুম্বগী মফমদা অরানবনা খুদুম চনশিন্নরক্লবা তাঞ্জা অমনি। মীচম মীয়াম ঐখোয় পূল্লসি, ঐখোয়না থম্মোয় শেংনা পূল্লবদা ঙমলোইদবা লৈতে। অপূনবগী মায় পাকপা লৌমিন্নরসি। শেলনা খুদুম চলহল্লগুমসি। মীতৈগী মতিক-ময়াই চপ চানা উৎপগী পুৱারী অমা কুমজা ২০১৯সিদগী হাংদোক্লসি। ⏮

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮

১। পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কংলা-শা ঙসিসু ঐখোয়গী ষ্টেট এমব্লেম ওইরি। বর্মিজনা অমুক, বৃটিশনা অমুক, অনীরক থুগাইরুরবনি।
(ক) করম্বা নিংথৌনা কংলাদা কংলা-শা ইহান হান্না শাখিবগে?
(খ) বর্মিজশিংনা চহী ৭ খুন্তাকপদা থুগাইরম্লবা মতুং নরসিংহ মহারাজনা অমুক নৌনা শাখিবনি। করম্বা চহীদনো?

২। ‘‘মানি নঙসে নুপী/মপু মাগী মঙলাল/মঙলাল মশামক/তাইবঙদা থোকপা লুগী তোংগী হকচাং।’’ পরেংশিং অসি কবি মীনকেতনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ‘‘ঈশ্বর করিনো? ঈশ্বরগী অশেংবা অর্থদি অমরোমদা ইংরাজিদা কন্ত্রোল্লর হায়বনি।’’ ৱাফম অসি ‘ধর্ম অমসুং বিজ্ঞান’ কৌবা ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। ‘‘খনৱা নঙনা নুমিৎ অদুদা/ইমাসিং অদুখক্তনি ফি লংথোক/ইকাই ইকি পূম্বা তেমশিংনখিবা।’’ পরেংশিং অসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৫। ‘‘শিনাই তুরেলগী মপান্দা চোংথা মিয়াগী হকচাং পোৎলোইখিবা মং অদু, ৱাপল ময়াম অমনা কোয়শিন্দুনা লৈরি। ৱাফম অসি ‘মেজর চোংথা মিয়া’ কৌবা পুন্সি ৱারীদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যৱারী ৩০, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

# ‘অনটাইটল’

## রোবর্ট লাইশ্রম

মমি ৱারী



মৈতৈ য়ুমজাও



ঈল চিংদুনা ঙা ফাবগী শক্তম



নিংথমথাগী অয়ূক অঙনবদা



মাঙখিদৌরবা অঙাংশিংগী লাইফদবি শান্নবগী মমি অমা

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*